## প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা আর্টিষ্ট ৪২দা শঙ্গিত নাতক একাদমি এৱার্দস লান্থোকখ্রে



*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ৬ ঃ*
বাঁশি খোঙবদা মমিং চৎলবা রাজেন্দ্রা প্রসান্না, কথক দান্সর সোভা কোসর, ফোল্ক শিঙ্গর অনৱার খান মঙ্গনিয়র অমসুং উদিসি দান্সর সুজতা মহাপত্ত্রা য়াওনা অতৈ আর্টিষ্টশিংদা ঙসি প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা শঙ্গিত নাতক একাদমি এৱার্দশিং লান্থোকখ্রে।

রাষ্ট্রপতি ভবনদা পাংথোকপা থৌরম অমদা হিন্দুষ্টানি ভোকেল মুজিক্তগী মখোয়না তৌখিবা থবকশিংগীদমক উমকান্তা অমসুং রমাকান্তা গুন্দেচাদা জোইন্ট এৱার্দ অমা য়াওনা ২০১৭গীদমক কেতেগোরি ৫দা পূন্না আর্টিষ্ট ৪২দা এৱার্দশিং অদু প্রসিদেন্টনা পীখি।

এৱার্দ পীখ্রবশিং অদুদি হিন্দুষ্টানি ভোকেলিষ্ট ললিথ জে রাও, তবলা প্লেয়র জোগেস শামসি, ফ্লাওটিস অমসুং সেহনাই প্লেয়র রাজেন্দ্র প্রসান্না, করনাটিক ভোকেলিষ্ট এন এস শীলা, করনাটিক বিনা প্লেয়র শুমা সুধিন্দ্রা, করনাটিক মৃদঙ্গম প্লেয়র তিরুভারুর বৈগ্যানাথম, করনাটিক ফ্লাওতিষ্ট শসঙ্কা শুব্রমনিয়ম, মধুরানি অমসুং হিমন্তি সুক্লাদা সুগম শঙ্গিতকী অমসুং গুরবানিগীদমক গুরনাম সিংহ য়াওরি।

জগোইগীদা পূন্না আর্টিষ্ট ৯দা এৱার্দশিং পীখি। মণিপুরি দান্সতা ওইনাম ওংবী ধোনি দেবী, কথক জগোইগী শোভা কোসর, কাকলিগী মদামবী সুব্রমনিয়ন নম্বুদিরি কুচিপুরিগীদমক দিপিকা রেদি, সত্রিয়াগীদা রমকৃষ্ণ তালুকদর, শৌ জগোইগীদমক জনমেজৈ শাইবাবু অমসুং কম্পোজরদা অসিক দেসাইনা এৱার্দশিং ফঙখি।

থিয়েটরগী লমদসু মমিং চৎলবা আর্টিষ্ট ৯নসু লেমজনিঙাই ওইবা মনাশিং অসি ফঙখি।

প্লেরাইটিংগীদা অভিরাম দামোদর ভদকামকর, দিরেক্সনগীদা সুনিল গনেস শানবাক অমসুং বাপিভোস, এক্টিংগীদা হেমা সিংহ, দিপক বিরাট টিৱারি অমসুং অনিল টিক্কু, ষ্টেজক্রাফকীদা নুরুদ্দিন অহমেদ, লাইটিংগীদা অবতার শাহনি, মণিপুর শুমাং লিলাগীদা শৌগ্রাকপম হেমন্তা সিংহনা থিয়েটরগী এৱার্দশিং ফঙখি।

ফোল্ক অমসুং ট্রাইবেল ম্যুজিক, দান্স, থিয়েতর অমসুং পপ্পেট্রি য়াওনা ট্রেদিসনেল আর্ট ফোর্মশিংগী লমদা শীংথানিংঙাই ওইবা থবকশিংগীদমক শক্লাইরবা আর্টিষ্ট ১০দা ঈকাইখুন্নবা উৎখি।

অনৱার খানা মঙ্গানিয়র (রাজস্থানি ফোল্ক ম্যুজিক), প্রকাস দহাদিও খান্দগে (মহারাষ্ট্র ফোল্ক আর্টস), জগন্নাথ বায়ান (অসাম ট্রেদিসনেল ম্যুজিক-খোল), রমাচন্দ্র মাঝি (বিহার ফোল্ক ম্যুজিক), রাকেস কুমার টিৱারি (ছতিসগড় ফোল্ক থিয়েটর), পারবতি বউল (ৱেষ্ট-বেঙ্গল ফোল্ক ম্যুজিক), শরবজিত কৌর (পঞ্জাবী ফোল্ক ম্যুজিক), কে সি রুন্রেমশাঙ্গি (মিজোরাম ফোল্ক ম্যুজিক), মুকুন্দা নায়েক (ঝরখন্দ ফোল্ক ম্যুজিক) অমসুং সুদিপ গুপ্তা (ৱেষ্ট -বেঙ্গল পপ্পেট্রি)দা ট্রেদিসনেল আর্ট ফোর্মশিংগী কেটেগোরিদা সঙ্গিত নাতক একাদমি এৱার্দশিং পীখি।

পার্ফেমিং আর্টসকী হিরমদা শনধ্যা পুরেচাবু মাগী শীংথনিঙাই ওইবা থবকশিংগীদমক অমসুং বিজয় বর্মাবু মাগী স্কোলার্সিকীদমকসু এৱার্দশিং পীখি।

## নিতিন গাদকরিনা ওরিষ্যাদা লূপা ক্রোর ২,৩০০ হেনবগী হায়ৱেশিং শেমগৎনবা প্রোজেক্টশিং হৌদোকখ্রে




*ধেনকনাল ফেব্রুৱারি ৬ঃ*
য়ুনিয়ন রোদ ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর নিতিন গাদকারিনা ঙসি ওরিষ্যাদা লূপা ক্রোর ২,৪৩৫ চঙ্গগদবা মরুওইবা হায়ৱে ৩ শেন্নবগী প্রোজেক্ট হৌদোকখ্রে অমসুং মসিনা ষ্টেট অসিদা খোঙজেন থুনা চাওখৎহন্নবগীদমক তুংকোইনা কানহল্লগনি হায়খ্রে।

প্রোজেক্টশিং অদুগীদমক উরেপ-উয়ুং তল্লদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর গাদকারিনা ফোঙদোকখিবদা মিনরেল মরাং কায়রবা অঙ্গুল অমসুং ধেনকনাল দিষ্ট্রিক্টশিংগা লেমহৌরিবা ওরিষ্যাগী অতৈ লমশিংগা শন্নহনবদা প্রোজেক্ট অসিনা হায়নীংঙাই লৈতনা ফগৎহল্লগনি হায়খি।

পূন্না কিলোমিটর ১৩২ শাংবা নেসনেল হায়ৱে প্রোজেক্ট ৩ অসি শেন্বদা লূপা ক্রোর ২,৩৪৫ চঙ্গনি।

থৌরম অদুদা পেট্রোলিয়ম মিনিষ্টর ধরমেনদ্র প্রধানসু মিষ্টর গাদকারিগা লোয়নরকখি।

লমদম অসিগী শেনমিৎলোনগী হীরম পূন্নমক্তা চাওখৎহন্নবগীদমক সেন্টরনা পায়খৎলক্লিবা প্রোজেক্ট কয়া অসি নীংথিজনা থবক্তগী ওহ্নোক্লবগীদমক ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী তেংবাং মথৌ তাই হায়না মীষ্টর গাদকারিনা হায়খি।

অনৌবা প্রোজেক্টশিং অসিদা লম্বী চৎপদা কোমহন্নবা অমসুং অশোয়-অঙাম থোক্তনবা চপ -চাবা মওংশিং য়াওরি। মদুগী মনূংদা বাইপাস ৩, ফ্লাইওভর ১, গারিশিংনা চৎনবগী অন্দরপাস ১৯, থোং অচৌবা ৯ অমসুং চুন্নগী থোং ৩৯ লোয়ননা কিমি ৪৫ শাংবা সার্ভিস রোদ অমা য়াওরি।

লম্বীগী প্রোজেক্টশিং অসিনা লমদম অসিদা থবক ফঙহনবদসু মতেঙ ওইরগনি অমসুং মসিদা লৈরিবা মীয়ামগী শেন-থুমগী ফিভম ফগৎহল্লগনি হায়না মিনিষ্টরশিং অদুনা হায়খি।

## মোদি, নবীন পাতনায়কনা ট্রাইবেল লম মুল্লি ঃ রাহুল গান্ধী



*ভাৱানিপাতনা, ফেব্রুৱারি ৬ঃ*
কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং ওরিষ্যা চীফ মিনিষ্টর নবীন পাতনায়কপু ট্রাইবেল লম মুল্লি হায়না মরান শীখ্রে। মহাক্কী পার্টিনা কাংলূপশিং অসিগী হকশিং ঙাক্লবগী থবক তৌগনি হায়খ্রে।

ওরিষ্যা ষ্টেট অসিগী শোখহৌরবা লমদমশিংগী মনূংদা অমা ওইরিবা ভাৱানিপাতনাদা পাংথোকপা মীফম অমদা ৱাঙাংলদুনা রাহুল গান্ধীনা হায়খি, সেন্টরদা বি জে পিনা লূচীংবা গভর্ণমেন্ট অমসুং ষ্টেট অসিদা বি জে দিগী লৈঙাক্লা থবক তৌদ্রে।

দলিতশিং, ট্রাইবেলশিং, ফার্মরশিং অমসুং লাইরবশিংগী য়াইফনবগী থবক অমত্তা তৌদ্রে। ট্রাইবেলশিংগী লম ঙাকপদা লেপ্লিবা পার্টিদি কোংগ্রেস মতোম খক্তনি। ওরিষ্যা অমসুং অতৈ মফমশিংদা ঐখোয়না ট্রাইবেলশিংগী হক ঙাক্কনি।

লোক সভা মীখল অমসুং ষ্টেট এসেমব্লি মীখল পূন্না পাংথোক্কদৌরিবা ষ্টেট অসিদা রাহুল গান্ধীনা লাকপসি হন্দক নুমিৎ ১০নিগী মনূংদা ঙসিগীসিনা অনীরক শুবনি। জনুৱারি ২৫দসু ভুবনেশ্বরদা রাহুল গান্ধীনা মীফম অমদা ৱা ঙাংখ্রে।

মোদি গভর্ণমেন্টনা ইন্দষ্টিয়েলিষ্ট ১৫গী লূপা ক্রোর লাক্ষ ৩.৫কী লোনশিং কোকথোকখি। অদুবু লৌমীশিংগী লোনদি কোকথোকপীদে হায়না রহুল গান্ধীনা মরান শীখি।

বিজু জনাতাদল (বি জে দি)গী নবীন পাতনায়কনা ওরিষ্যাদা ফার্মরশিংগী কান্ননবা থবক তৌদে। অদুবু ছতিসগর, মধ্য প্রদেশ অমসুং রাজস্থানদা কোংগ্রেসনা গভর্ণমেন্ট হেক শেমলকখিবগী নুমিৎ নীনিগী মনূংদা ফার্ম লোনশিং কোকথোকখি হায়না মহাক্লা হায়খি।

ইন্দষ্ট্রিশিং লিংখৎনবগীদমক লৌশিনখিবা লমশিং অদু করিগুম্বা লমলৌশিল্লিবা অদুগী চহি ৫গী মনূংদা প্রোজেক্টশিং অদু পায়খৎপা ঙমদ্রবদি লমশিং অদু ফার্মরশিংদা অমুক হন্দোকখিনবা কোংগ্রেসনা ৱারেপ লৌখ্রে। ছতিসগড়দা মসিগী মতাংদা থবক লৌখৎপা হান্ননা হৌখ্রে হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

*অসাম বজেট ২০১৯-২০ঃ*

## লূঃ ১দা চেঙ কেজি ১, লুহোংগদৌবী নুপীদা সনা তুলা ১ পীগদৌরি




*গুৱাহাতি, ফেব্রুৱারি ৬ঃ*
অসামগী লোক সভা সিট ১৪ অসি বি জে পিগীদমক য়াম্না মরুওইগদৌরিবা চহি অসিগী জেনরেল ইলেক্সনগী মাঙওইননা পার্টি অসিনা লূচীংবা অসাম গোভর্ণমেন্টনা ঙসি ২০১৯-২০গীদমক লূপা ক্রোর ১,৯৩.০৪গী দিফিসিট বজেট অমা পুথোকখ্রে।

বজেট অদু পুথোক্লদুনা অসাম ফাইনান্স মিষ্টির হিমন্তা বিশ্বাস শর্মনা ফ্লেগসিপ স্কিম ১৮ লাওথোকখি। স্কিমশিং অদুগী মনূংদা লাইরবশিংগীদমক লূপা অমদা চেং কিলোগ্রাম অমা পীবা অমসুং লুহোংগদৌরিবী নুপীশিংদা সনা তুলা (গ্রাম ১০) ১ পীবনাচীংবা য়াওরি। এফোরদেবল ন্যুট্রিসন এন্দ নোরিসমেন্ট এসিষ্টেনস (এ এন এন এ) যোজনাগী মখাদা হান্না কেজিদা লূপা ৩ পীরম্বা অদুগী মহুত্তা চে কেজিদা লূপা ১গী সবসিদাইজ রেত অমদা ষ্টেট অসিগী য়ুমথোঙ লাক্ষ ৫৩ দা পীরগনি। মসি লাইরবশিংগী ফুদ সেক্যুরিটি লৈহন্নবগীনি হায়না মিষ্টর শর্মনা ফোঙদোকখি।

চা বগানশিংগী শিন্মীশিং লৈরিবা মফমশিংদা টি ট্রাইবশিংগী য়াইফনবগীদমক পক্কা রোদশিং শেন্নগনি। লুহোংবদা সনা পীবা হায়বসি চৎনবী অমা ওইরিবা ষ্টেট অসিদা লুহোংগদবা নুপীশিংদা লূপা লিশিং ৩৮ লোমগী ওইগদবা সনা গ্রাম ১০ পীগনি হায়না মিনিষ্টরনা হায়খি।

মসিগী কান্নবা অসি স্পিসিয়েল মেরিয়েজ (অসাম) রুলস ১৯৫৪গী মখাদা রেজিষ্টার তৌবা লুহোংবশিংদা ফঙহনগনি।

মুস্লিমশিংগী চাওখৎনবগীদমক ষ্টেট অসিদা কাউন্সিল অমা লিঙখৎনবসু গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ লৌরে। চহিগী শেন্থোক লূপা লাক্ষ ২গী মখাদা লৈবা মমা-মপাশিংগী মচাশিংদা দিগ্রি লেভেল ফাওবা এদমিসন ফি কোকথোকপগী প্রোভিজন অমসু ফাইনান্স মিনিষ্টরনা লাওথোকখি।

হৌজিক ক্লাস ১২ ফাওবগী থাক্তা টেক্সবুকশিং লেন্না পীবগী স্কিম অদু দিগ্রি লেভেল ফাওবা পীরগনি। হয়ার সেকেন্দরি একজামিনেসনশিংদা ফার্ষ্ট দিভিজন নৎত্রগা মসিগী মথক্তা লাকপা নুপীমচা মহৈরোই পূন্নমক্তা বেট্টরিনা চল্লাইবা ই-বাইকশিং পীরগনি হায়না অসাম ষ্টেট ফাইনান্স মিনিষ্টর শর্মনা হায়খি।

## সি এ পি এফতা ফম ৭৬,০০০ মেনশিগদৌরি

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ৬ঃ*
মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ারসনা সি আর পি এফ, সি আই এস এফ, আই টি বি পি, বি এস এফ, এস এস বি, অমসুং অসাম রাইফলস য়াওনা সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি ফোর্সশিংদা হাংলিবা ফম ৭৬৫৭৮ মেনশিন্নবা অচৌবা খোঙথাং অমা লৌখৎপা হৌখ্রে।

খ্বাইদগী মশীং য়াম্না হাংলিবা ফমসি কনষ্টেবল রেঙ্কতনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোক্লি।

হাংলিবা ফমশিং অসি সি আর পি এফতা ২২৯৮০, বি এস এফতা ২১৪৬৫, এস এস বিদা ১৮১০২, সি আই এস এফতা ১০৪১৫, আই টি বি পিদা ৬৬৪৩ অমসুং অসাম রাইফলসতা ৪৪৩২নি।

## ২০১৩ মুজাফরনগর রাইওৎতা নহা ২ হাৎপগীদমক মীওই ৭ মরান ফঙখ্রে

*মুজাফরনগর, ফেব্রুৱারি ৬ঃ*
পূন্না মীওই ৬০ হেন্না শিখিবা ২০১৩ মুজাফরনগর রাইওৎস থোকহল্লকখিবগী মরমনি হায়রিবা এটেক অমদা কৱাল খুঙ্গংদা মীওই ২ হাৎখিবগী কেসতা ঙসি মফম অসিগী কোর্টঅমনা মীওই ৭ মরান লৈরে হায়বা ফঙখ্রে।

এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ হিমাসু ভতনগরনা আগষ্ট ২৭, ২০১৩দা গৌরব অমসুং সচিন হাৎখিবা অমসুং রাইওৎতিংগীদমক মুজামিন, মুজাসিন, ফুরকন, নাদিম, জনাংগির, অফজাল অমসুং ইকবালবু কনভিক্সন পীখ্রে হায়না দিষ্ট্রিক্ট প্রোজিক্যুসন কাউন্সেল রজিব শর্মনা ফোঙদোকখ্রে। মখোয়দা পীগদবা চৈরাক্কী চাং ইরাই নুমিৎতা লাওথোক্কনি।

## য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ভিয়েটনামদা নোর্থ কোরিয়াগী কিম জোং উনগা ২শুবা সম্মিট পাঙথোক্লগনি লাওথোকখ্রে



*ৱাসিংটন, ফেব্রুৱারি ৬ঃ*
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়া লূচীংবা কিম জোং উনগগী মরক্তা মাগী অনীশুবা সমিট থা অসিগী মনূংদা ভিয়েটনামদা পাংথোক্লগনি হায়না ঙরাং লাওথোকখ্রে।

অশেঙবা মফম অদুমক পন্দ্রবসু ভিয়েটনামদা ফেব্রুৱারি ২৭ অমসুং ২৮দা নহা লূচীংবা অদুগা মহাক্লা উন্নরগনি। ঐখোয়গী হোষ্টেজশিং য়ুমদা হল্লক্লে। ন্যুক্লিয়ারে চাংয়েং লেপখ্রে অমসুং হৌখিবা থা ১৮গী মতমদা মিসাইল লোঞ্চ অমত্তা তৌখিদ্রে হায়না প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা হাউস চেম্বর অমদা পুল্লিবা লোমেকরশিং অদুদা হায়খি।

করিগুম্বা ঐবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রসিদেন্ট খল্লমদ্রবা তারবদি ঐগী ৱাখলদা হৌজিকমক অসি ঐখোয় নোর্থ কোরিয়াগা অচৌবা লান অমা তৌনরম্লগদবনি। থবক তৌগদবা য়াম্না লৈরি অদুবু কিম জোং উনগা লৈনরিবা ঐগী মরী অফবা অমনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

হৌনবী নিয়মগী মতুংইন্না কৈদৌঙেদা লোয়শিনখিদ্রিবা ১৯৫০-৫৩ কোরিয়ান ৱার থেঙনখিবা লৈবাক অনীগী লূচীংবশিংগী মরক্তা ইহান হানবা সমটি ওইনা ট্রম্পনা কিমবু শিঙ্গাপোরদা জুনদা উন্নখি। মদু নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার অমসুং মিসাইল টেষ্টশিংগী মতাংদা লৈবাক অদুগী মথক্তা য়ু এস লূচীংবা অসিনা থা কয়া কিহনখ্রিবগী মতূংদনি।

সিরিয়াদা লৈবা য়ু এস লান্মী ট্রূপ পূন্নমক অমসুং অফগানিষ্টানদা লৈরিবা য়ু এস লান্মী ১৪,০০০গী তঙ্খাই লৌথোক্লবা মাগী ৱাথোক ওইরবা ওর্দরশিং অদুগী মতূংদা ট্রম্পনা হায়খি, অচৌবা লৈবাকশিংনা লোয়বা নাইদবা লানশিং থেঙনদে।

অফগানিষ্টানগী তালিবানগা ৱারি শান্নবগী থবক হেন্না কনশিলহন্দুনা হৌজিক ফাওবদা খ্বাইদগী শাংবা য়ু এস ৱার লোয়শিন্নবগী ওইথোকপা য়াবা পোলিটিকেল ৱারোইশিন অমা পুরক্কনি হায়বা মহাক্কী অশা ফোঙদোকখি।

টালিবান য়াওনা অফগান গ্রুপ কয়ামরুমগা ঐগী ঐদমিনিষ্ট্রেসননা অফবা ৱাখলগী মখাদা ৱারি শাগনি হায়না প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা হাউস চেম্বর অদুদা হায়খি।

## পাক আর্মি অমসুং আই এস আইগী অহেনবা শক্তি ককথৎলদুনা মখোয়বু পোলিটিক্সতগী লাপথোক্লবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে



*ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারি ৬ঃ*
পাকিষ্টানগী সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি লৈবাক অসিগী আর্ম ফোর্সশিংবু পোলিটিকেলগী ওইবা থবক থৌওংশিংদা য়াওবা তোক্লবা খঙহনখ্রে অমসুং ইন্টর-সার্ভিসেস ইন্টিলিজেন্স নৎত্রগা আই এস আইগুম্বা ষ্টেট এজেন্সিশিংবু আইনগী মখাদা থবক তৌনবা দিরেক্সন পীরদুনা মখোয়গী মরক্তা হেট্রেদ, একষ্ট্রিমিজম অমসুং টেরোরিজম শন্দোকপাশিংবু থবক লৌখৎনবা গভর্ণমেন্টতা ওর্দর তৌখ্রে।

টেহরিক-ই-লববাইক পাকিষ্টান (টি এল পি) অমসুং অতৈ অপিকপা লূপশিংনা ২০১৭ ফাইজবাদ সিট-ইনগী মতাংদা ৱায়েল অমা পীরদুনা মকোক থোঙবা কোর্ট অসিগী মেম্বর অনীগী বেঞ্চ অমনা ওর্দর অসি পীরকখিবনি।

ঐখোয়না ফেদরেল অমসুং প্রোভিন্সিয়েল গভর্ণমেন্টশিংদা হেট, একষ্ট্রিমিজম অমসুং টেরোরিজম শৌগৎলিবা মেম্বরশিং অদু মোনিটর তৌনবা অমসুং আইনগী মখাদা মখোয়বু ৱায়েল চখনবা পাউতাক পীরে হায়না জষ্টিস কাজি ফৈজা ইজা অমসুং জষ্টিস মুসির অলমনা শাবা বেঞ্চ অমদুনা হায়খি।

কোর্ট অসিনা ইন্টর-সার্ভিসেস ইন্টিলিজেন্স (আই এস আই)কুম্বা আর্মিনা চল্লাইবশিং অদু য়াওনা গভর্ণমেন্টকী এজেন্সিশিং অমসুং দিপার্টমেন্টশিং পূন্নমক্তা আইন্না পীরিবা ঙমখৈ মনূংদা থবক তৌনবসু দিরেক্টিব পীখ্রে।

কোর্ট অসিনা আর্ম ফোর্সশিংগী মেম্বরশিংবু পার্টি অমা, ফেক্সন নৎত্রগা লন্নাই মীওই অমা শৌগৎপা য়াওনা পোলিটিকেলগী থবক থৌওং অমদা য়াওবদগীসু অথিংবা থমনবা ওর্দর তৌখ্রে।

গভর্ণমেন্ট ওফ পাকিষ্টাননা আর্মি, নেভি অমসুং এয়ার ফোর্সকী চীফশিং অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী খূথাংদা মখোয়গী কমান্দ মখাদা লৈবা পার্সোনেলশিংবু থবক চংবদা লৌখিবা ৱাশক থুগাইবা থেঙনরবদি থবক লৌখৎনবা পাউতাক পীরি হায়না কোর্ট অদুনা হায়খি।

এক্সপার্ট কয়ামুক্কী মীৎয়েংদা হৌখিবা চহিগী জেনরেল ইলেক্সন অদুদা লৈবাক অসিগী আর্মিনা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান শৌগৎখি হায়না উন্নখি।

১৯৪৭দা নীংতম্বা ফঙখিবা মতূংদগী পাকিষ্টানগী ইতিহাসকী তঙ্খাই অমরোম লৈবাক অসিগী মিলিটরিনা তোঙান -তোঙানবা কু কয়াগী খূৎথাংদা লৈঙাক খুর্জি নমদুনা পায়খি।

## পাকিষ্টান এন্টি-করপসন ৱাটচদোগনা পঞ্জাবকী কেবিনেট মিনিষ্টর ১ ফাগৎখ্রে



*ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারি ৬ঃ*
পাকিষ্টানগী এন্টি-করপসন ৱাটচদোগনা মশাগী ইনকামগী ৱাংমদা মরন-মথুম মপু ওইবগীদমক লৈঙাক পায়রিবা পাকিষ্টান টেহরীক -ই-ইনসাফ (পি টি আই) পার্টিগী সিনিয়ার লিদর অমসুং প্রোভিন্সিয়েল লিদর অমা ঙসি ফাখ্রে।

পঞ্জাব প্রোভিন্সিকী কেবিনেট মিনিষ্টর অমা ওইরিবা অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর ইমারান খানগী মকোক থোঙবা ঙমথঙ লূচীংবশিংগী মনূংদসু অমা ওইরিবা অলীম খানবু লাহোরদা পাকিষ্টানগী এন্টি-গ্রাফট বোদি, নেসনেল একাউন্টিবিলিটি ব্যুরো (এন এ বি)গী মমাঙদা থোক্লকখ্রবা তূংদা কষ্টদিদা পুখ্রে।

পানামা পেপরস লিক কেসতগী খঙলকখিবা ওফসোর কম্পেনি অমা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ইক্কারি কয়াদা এন এ বিনা মিষ্টর খানবু থিজিল্লকখিবনি।

প্রেভিন্সিয়েল মিনিষ্টর অসিবু মখা তাবা রিমান্দ লৌথনবা শগোলশেন নুমিৎতা একাউটেবিলিটি কোর্ট অমদা পুথোক্কনি হায়না এন এ বিনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

মহাকপু ফারবা তূংদা মহাক এন এ বি ওফিস থাদোক্কুনা চৎপদগী অথিংবা থমখ্রে অমসুং মহাকপু পুরকখিবা কারশিং অদু এন এ বিগী কোর্ট প্রিমাইজেসদগী থোকখিনবা খঙহনখ্রে। এন এ বি গী লিখুনশিংগী মতুং ইন্না পূং ৪ রোম ৱাহং-পাউহং চখরবা তূংদা মিনিষ্টর অসিনা মাগী মরন-মথুমশিং অদুগী শেন লাকফমগী পাউখুম মতিক চানা পীবা ঙমদবদগী মহাকপু মখা তাবা ৱাহং-পাউহং চখনবগীদমক কষ্টদিদা পুবা মথৌ তারে হায়না এন এ বি ওফিসিয়েলশিংনা মঙোদা খঙহনখি।

মিনিষ্টর অসিগী ৱাঙাংলোই অমনা মেদিয়াদা ফোঙদোকপদা মিষ্টর খান্না মহাকপু ফারবগী তূংদা পঞ্জাব চীফ মিনিষ্টর উস্মান বুজদরদা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখ্রে হায়খি। অদুবু অমরোমদা চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসনা হৌজিক ফাওবদি খানগী ফম থাদোকপগী চেরোল ফঙবা লৈত্রি হায়খি।

## ট্রম্পনা ইন্দিয়াবুসু য়াওহনবা য়াবা অনৌবা ন্যুক্লিয়ার মিসাইল ট্রিটিগী ৱাফম হৌদোকখ্রে



*ন্যু য়োক, ফেব্রুৱারি ৬ঃ*
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী কোংগ্রেসকী অপূনবা মীফম অমদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ষ্টেট ওফ দ য়ুনিয়ন এদ্রেস পীবদা ইন্দিয়াবুসু য়াওহল্লকপা য়াবা অনৌবা ন্যুক্লিয়ার মিসাইল ট্রিটি অমগী ৱাফম হৌদোকখ্রে।

রসিয়াগা তৌনবা ইন্টরমেদিয়েট -রেঞ্জ ন্যুক্লিয়ার ফোর্সেস (আই এন এফ) ট্রিটিদগী তোক্লবা মহাক্কী ৱারেপ অদু ঙাকথোক্লদুনা ঙরাং নুমিদাং পীখিবা ৱারোল অদুনা মহাক্লা ঐখোয়না চিনা অমসুং অতৈশিং য়াওহনবা তোঙানবা এগ্রীমেন্ট অমা পুরক্লবা নেগোসিয়েট তৌবা য়াই নৎত্রগা ঐখোয় মদু তৌদবা য়াই, মসিগী ফিভম অসিদদি ঐখোয়না অতৈ পূন্নমক অদুদগী য়াম্না হেন্না খরচ তৌগনি অমসুং ইনোভেট তৌগনি হায়খি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট রোনাল রিগান অমসুং সোভিয়েট কম্যুনিষ্ট পার্টি জেনরেল সেক্রেটরি মিখাইল গোরবাচেবনা শহি তৌনবখিবা আই এন এফ ট্রিটি অদুনা কিমি ১০০০দগী ৫০০০গী লেন্দ-বেজ মিসাইলশিং থিঙই। ইন্দিয়াগী পৃথিবী অমসুং অগনি ক্লাস মিসাইলশিং খরদি, লোয়ননা পাকিষ্টানগী মীসাইলশিং খরদি অসিগুম্বা ট্রিটি অসিগী মখাদা কোনশিল্লিবশিংগী মনূং চল্লি হায়খি।

### সনা-সুদোকু -৩২ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 2 | 9 | 6 | 7 | 4 | 8 | 1 | 3 |
| 1 | 6 | 3 | 5 | 2 | 8 | 7 | 4 | 9 |
| 8 | 4 | 7 | 3 | 9 | 1 | 5 | 2 | 6 |
| 7 | 8 | 2 | 4 | 6 | 9 | 3 | 5 | 1 |
| 9 | 3 | 5 | 8 | 1 | 7 | 4 | 6 | 2 |
| 4 | 1 | 6 | 2 | 3 | 5 | 9 | 8 | 7 |
| 3 | 7 | 8 | 1 | 4 | 2 | 6 | 9 | 5 |
| 6 | 5 | 1 | 9 | 8 | 3 | 2 | 7 | 4 |
| 2 | 9 | 4 | 7 | 5 | 6 | 1 | 3 | 8 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-33**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | | 2 | 1 | | 4 | | |
| 1 | | | | 5 | | 7 | 6 | |
| 9 | 8 | | | | 4 | 1 | | |
| | 4 | 1 | | 2 | | | | 8 |
| | 9 | | 6 | | | 5 | 4 | |
| 6 | | 5 | 1 | | | | | 2 |
| 8 | | | 4 | | 6 | 2 | | |
| | 5 | 6 | | | | | 1 | |
| | | 2 | | | 1 | | | 6 |

## GAS TODAY

**Athokpam Indane Gas Wangjing Khongjom**
Booking : 23/12/18
Valid : 09/12/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**G. B. D. Gas, Lamlong**
Booking :19/12/18
Valid : 06/12/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Imphal L.P.G.**
Booking : 21/01/19
Valid : 06/12/18
Sl. No. : 391
Stk : 506, 5kg Avai
Time : from 08.00 a.m.
Delivery at Heinoupok

**Khongnang Neingthoukhong**
Booking : 10/12/18
Valid : 04/12/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Lambodara Indane Service**
Booking : 04/02/19
Valid : 25/02/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Lamsang Gas Agency**
Booking : 02/01/19
Valid : 26/12/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Manipur Gas**
Booking : 12/12/18
Valid : 10/12/18
Stk : 612
Time :07.30 to 09.30 a.m

**Maibia Gas (Moirang)**
Booking : 05/12/18
Sl. No. : 5036
Valid : 03/12/18
Sl. No. : 4451
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 05/01/19
Valid : 14/12/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**M. M. Gas**
Booking : 19/12/18
Valid : 12/12/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**R & H Indane Gas**
Booking : 02/01/19
Valid :19/12/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**T. D. K. Sekmai**
Booking : 15/12/18
Valid : 12/12/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 01/01/19
Valid : 24/12/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.